# ‘মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক নত্তবরা’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

## উশম ধরমেন্দ্র



পাকিস্তাননা য়োক্তুনা থম্বা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংনা ঙাইহাক লৈতনা ইন্দিয়াদা টেরর এটেক চথবগী শরুক অমা ওইনা কাশ্মীরগী পহলগামদা এপ্রিল ২২দা টেররিষ্ট এটেক চথদুনা লমকোয়বা লাকচবা মীওই কুনতরুক মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীখিবগী লমন ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ‘ওপরেশন সিন্দুর’ চথদুনা লমন খুমখ্রে। পাকিস্তানি টেররিষ্টশিংনা লৈবা কেম্পশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা টেররিষ্ট কয়া হাৎখ্রে। পাকিস্তানগী এটেকতসু ইন্দিয়াগী মীওইশিং মথ্বায় থাখি। লৈবাক কন্নবগীদমক্তা লানফমদা থৱায় থাবদি চঙনা স্বর্গ কাবনি হায়নরিবনি। বি এস এফকী কন্সটেবল চীংঙাখম দীপক লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাখ্রে। ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ঙাক্লবা য়েক্লবগা শোক্লখিবা লানফম কয়াদা লমদমসিগী মণিপুরী মচা কয়া থৱায় পাম্মুদনা কৎতুনা লাক্লি। টেররিষ্টতি টেররিষ্টনি। মরূ ফংনা মালেমগী লৈমাইদগী মাঙহনগদবনি। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কীসু জিরো টেররিজমগী পান্দম থল্লিবনি। মতম খরা কান্ন-কান্নরগা ইন্দিয়াদা টেরর এটেক তোঙান তোঙানবা মুস্লিমগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংনা চথদুনা লাক্লি। পাকিস্তাননা য়োক্লিবা টেররিষ্টশিং অসিনা ইন্দিয়াবু তংদু লৈতাদনা লৈহনবা হায়বসিনা মখোয়গী মথৌনি।

কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রবা মণিপুরগী মীয়াম্না ঙসি ঙসিমক লেপ্তুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ উরোং খিনবদা অমসুং লৈবাকসিবু মীরৈবাক্কী য়েক্লবশিংগী তমথীরবা এটেক কয়াদগী কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মখোয়দুগী মরক্তা য়াওরিবনি মেজর লাইশ্রম জোতিন, তমথীরবা টেররিষ্টকী এটেকতা অফঘানিষ্টানগী কাবুলদা কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারী ২৬তা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাখিবা। অমুকসু মসিগী মমাঙদা ঙাঙোম জয়দত্তা, ইন্দিয়ান পীস কিপিং ফোর্সকী কম্পনি কম্মান্দর অমা ওইনা মথৌ পাঙথোকপদা শ্রীলঙ্কাগী লালহৌবা এল টি টি ঈগী মখূৎতা থৌনা ফনা য়েক্লবগা মায়োক্লবা লানফমদা মথ্বায় থাখিবা কুমজা ১৯৮৭, ফেব্রুৱারী ১৩। ইন্দিয়া লৈঙাক্না অথৌবা অনীসিদা জোতিনদা আশোক চক্র অমসুং জয়দত্তদা বীর চক্র পীদুনা ইকায়খুম্নখি। হন্দক্না মথক্তা পঞ্জখিবা চীংঙাখম দীপকতা ইকায়খুম্নখি।

মসিগী মখা তারকপদা নক্সলাইটকী এটেকতা ঙাইহাক লৈতনা মথা শারিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ঝরখণ্ডদা লান হৌরিবা নক্সল য়ু জি গ্রুপশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট অদুদা অকনবা লান্মীগী খোঙজং চঙশিনবদা অৱাং সেকমাই ময়ায় লৈকায়দগী ২৬শুবা সী আর পি এফকী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ (টু-আইসী) ওইবা মহারাবম প্রবো বজ্র তারকপদগী শোক্তুনা লৈখিদ্রে। থমজনীংলিবদি ইন্দিয়াগী অপুনবগী শক্তম চেৎশিলহনবদা মীতৈ মচা কয়া শরুক য়ারি হায়বসিনি।

শান্ন-খোৎনবগী লম্দা পীক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়ানা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বদু উৎলি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা কাউরোই খল্লি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী ফম্বাক ওইরিবা ওলিম্পিকতা কুমজা ২০২০দা মণিপুরগী মীতৈ চনু সাইখোম মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়থোঙ ঙালহনখিবদু। হৌখিবা মতম কয়াদগী লীশাং শিৎনা ইন্দিয়াগী মায় পুরকখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং লোইনা কলমসিদা পনবদা ৱারনি। লায়রবা ষ্টেট ওইবনা তেংবাঙদি ৱাৎপা, মশানা হোৎনজবনা ইন্দিয়াগী অমদি ইরমদমসিগী মীংচৎ পুরকখিবা শান্নরোয় কয়াগী নুংশিখ্রবা তাঙলবা ৱারী কয়া কয়ানি। কুমজা ১৯৭০দা নোংথোম্বম মায়পাকনা মিষ্টর ইন্দিয়াগী মিংথোল লৌখি। কুমজা ১৯৭১দা মালেমগী বোদিবিল্ডরশিংগী কম্পিটিশনদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোকপা মিষ্টর য়ুনিভর্সতা শরুক য়াখি। মহাক কম্পিটিশনদুদা "Best Indian Style Mythological Pose" হায়বা মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ইন্দিয়াগী হোকি মশান্নদা লেফ্ট ৱিঙ্গর থোইবা, গোলকিপর নিলকমল য়াওনা অতৈ শান্নরোয়শিংনা পীবা কন্ত্রিব্যুশন ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং মীচম মীয়াম পূম্নমক্না কাউফম থোক্তে। হৌজিক হৌজিকমক মশান্নসিদা নিলকান্ত শর্ম্মা অচঙবা শান্নরোয় ওইরিবনি। মথক্তা পঞ্জখ্রে মফমসিদা পনবদা ৱারনি, মফম চাররোই।

লাক্লিবা ৱাফমদি কাশ্মীরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী পহলগামদা থোকখিবা অদুগুম্বা মীচম ২৬ তমথীনা হাৎখিবা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্টশিং অদুবু অথুবা মতমগী মনুংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা লাকশিনবা, লমন খুম্বা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্নি। মালেমগী সুপর পৱার লমজেলদা য়াওরিবনি ইন্দিয়াসি। শেল-থুমগী লম্‌দসু ফগৎলক্লিবনি হায়না পান্নরি। টেররিজমবু মরূ ফংনা ইন্দিয়াদগী মূথৎকনি, মখোয়গী এটেক ইন্দিয়াদা য়ৌহল্লোই হায়রিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা করিগীনো মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা টেরর এটেক চথরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিবু লাকশিন্দনা অসুম থল্লিবসি। মসিনি ইন্দিয়া মনুংদা নত্তনা মপান লৈবাক য়াওনা হংনরক্লিবা ৱাহংসি। টেররিষ্টশিংগী মীনুংশি য়াওদবা মীহাৎতা হাৎতোকপীখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংনা তেংথাবা তাবা পহলগামগী থৌদোক্তু লুম্না লৌবগুম চহী অনী হেনখ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লান অসিসু বি জে পিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অসিনা লৌফম থোকই। থা অনীমখায় খক্তা ঙাইরিবা অঙাং ফাওবা হাৎলিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিগী মথক্তা করিগীদমক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অকনবা এক্সন লৌদ্রিবনো হায়বসিনি। কুকি টেররিষ্টশিংদুগা মীতৈ মীচম মীয়ামগা মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংলগা মণিপুরগী মীয়ামদি মখোয় মশেল অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনবনি হায়দুনা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েংনি। মখোয়গী মীৎয়েংদা মীশিং য়ামজদবা পূন্না এম পি অহুমখক্তা লৈবা মণিপুরসি অসুক্কী মতিক থৌওইদে হায়বসি মখোয়না তৌথোরক্লিবা মওং অসিনা অদুমক উৎতুনা লাক্লি। মণিপুরগী ঈরাং থোক্লিবা হাৎন-শুনবা মথন্তা তল্লগা, ৱারগা তোকচখিগনি হায়বগী মওংনি। অতৈ ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগীদমক নৎত্রবসু অসামদা থোকপা ওইরম্লবসু নহান্না মীৎয়েং চঙলম্লনি। অসামগীদি নেশনল লেভেলদা মখোয়গী লুচিংবা লৈ। মণিপুরগীদি কদাই। হন্দক্কী চৎলিবা ১২শুবা এসেমব্লি অসি পুৱারীদা খ্বাইদগী থীনা অমুবা কালিনা ইদুনা লৈহৌরগদবনি। ৱাবা য়াবা ৱারেনা। মীতৈশিংগী হিংবগী শাফবা তংদু লৈতাবসিবু কদাইদনো। আর্মি কেম্প মনুংদগী মী মাঙখ্রবনি। প্রসিদেন্টস রুল লাক্লগা খরা ফগদ্রা হায়রগা করিসু অওনবা পুরক্তে। করম্নবু লাইবক থীখিবনো কৈশাম্পাৎতগী নুপামচা অমা মফম খঙদনা মাঙখিবদো। করম্নবু জৌজাংতেকতা হাইজিনখিবা। মী ফাবা খূৎপু অমনা ইম্ফাল ময়োলদগী ফাখিবজাৎলা হায়ফম খঙদে। মণিপুরসি ‘বরমুদা ত্রাইঙ্গল’ য়াম্না লৈরে হায়দুনি। মরকসিদা পুন্দবা ময়ামগী অপূনবা লূপ মত মান্নদবা লিদর ওইনীংবা ময়াম্না কনানবু লৈঙাক শেমদোইনো, কাংলম চেনবা ময়াম’মসু উরি।

লোইশিল্লকপদা, মতমদি অসুম অসুম হৌজিনখি। ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিজদুনা খুন্দা লৈতাজনবগী মতমদি য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না শিনবীবগী মওংসু উদে। পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্ট ময়াম তকখাইবদি ঙম্লগা ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা কুকি টেররিষ্টশিংবুদি করিগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তকখাইদ্রিবা, ঙমখৈ ৱাংমা লান্না হাইজিল্লক্তুনা মণিপুরদা টেরর এটেক চথরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসি য়োকখৎতুনা থল্লিবসিনা করিগী? মণিপুরসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নৎতবরা হায়বা ৱাফমসি মতাংসিদনি মশা মরোমদোম লাকচরিবসি। ●

# ‘মূত্থৎকনি টেররিষ্ট য়োকখৎকনি’

## - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



ৱাফম অসি ইন্দিয়ানা হায়বনি। টেররিষ্টপু মূত্থৎকনিসু হায়বা য়োকখৎকনিসু হায়বা মচিন অনী লোংবগী মতৌ অসিনা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াবু থাক ৱাংনা লৌদে। এপ্রিল ২২, ২০২৫গী পহলগাম এটেকতা মফমদুদা লমকোয়বা লাকপা টুরিষ্ট ২৬ হাৎখি। মদুগী লমন পুং ২৪গী মনুংদা খুমখি। টেররিষ্ট লৈফম ৯দা অহিংদা লান্দাদুনা টেররিষ্ট ১০০গী মথক্তা হাৎতোকখি। মীনা তূম্না হিপ্পবা মতমদা খূৎ থাখিবদো টেররিজমগী এক্ট মনুং চন্দবরা হায়বসিদি লৈঙাক্লবু তৌরদি য়াই হায়দুনি। নিংথৌগী লৈঙাক্তগী মীহুৎকী লৈঙাক্না হেন্না ফৈ খ্বাইনা খন্নে। দেমোক্রেসিনা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন কাং-খোঙ চাইহল্লিবসিদি উরুবদা অদুঙৈগী নিংথৌগী তৌবা ঙম্বা লৈঙাক্তুনবু হেন্না ফরব্রা খনগনু য়াদে। কাশ্মীরগী টেররিষ্টতা খূৎ থাবা ঙম্লবসু মণিপুরগী টেররিষ্টতি হৌজিকসু য়োক্লি। চহী অনী হেল্লক্লবফাও টেররিষ্টনা পৃক-পৃক শৌবা লমদম মণিপুর ওইরি। ষ্টেট লৈঙাক্না চৎনররোই হায়না এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌখ্রবা ‘সূ এব্রোশন’ টেররিষ্ট য়োকখৎপগী মতৌদা ইন্দিয়ানা চহীগী শেন্থং পীথবা তোক্ত্রি। কাশ্মীরগী পহলগামগী নুপী অঙাং শোকখিদবা টেররিজম অদুবুদি কয়াদা মখোই মরীল থিৎখিবা। মণিপুরগী পোকপা কুইদ্রিবা অঙাং য়াওনা নুপী হাৎখিবা, ফমুংদা তূল্লিবা মপা-মচা শীংজংনা কল্লগা হাৎখিবা মণিপুরগী টেররিষ্টতি মখোয়বু তেক্ত-কায়দনবা সিক্যুরিটি মবাইশিংনা ঙাক্লি। ‘সূ’ গী মিংদা মচীঞ্জাক পীজরি। মফিজেৎ থোনবীরি। লানগী অরোনবা লম্বী শেমগৎলি। খূৎশু-খূৎলায় পৈশিল্লি। থৌওংশিং অসিনা হায়দ্রবসু হায়বগা মান্নরি কাশ্মীরগী টেররিষ্টতি মরূ ফংনা মূত্থৎকনি। মণিপুরগী টেররিষ্টতি শেল থাদরগা য়োকখৎকনি। মণিপুরদা ঙাঙনীংবা ৱা ঙাঙলিবা, লম্বী থিংনীংলে থিংলিবা, মী হাৎনীংলে হাৎলিবশিং অসি মীনা অহিংদা তূম্না হিপ্পরিঙৈদা মিসাইল কাপশিল্লগা লান্দাবা হৈবা লৈঙাক অসিনা স্পোন্সর তৌবা, ত্রেনিং পীবা, শেল থাদবা টেররিষ্টশিংনি হায়বসি মীচম ঐখোয়দা নমদুনা খলহল্লি। অসিগুম্বা মচেৎ-মকায়গী লৈঙাক অসিনা অপূনবা ইন্দিয়া শেমগৎপদা ঈ-নাই খরদি শোয়দনা উরগনি হায়বসি লাল্লোই।

টেররিষ্ট মখল অনী থোক্না নৈনবা য়াই। থবক্না তৌবা টেররিজম অতোপ্পা অমনা চিনবান্না তৌবা টেররিজম। মশানা লূপ অমা শেমগৎতুনা শিবা কিদনা লিংখৎপা টেররিষ্ট লূপ অদুদি থবক্না উৎকনি। মসিদি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। কনাগুম্বা লৈঙাক্না নৎত্রগা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মচীঞ্জাক থাক্লগা থৌরাং অমা মায় পাক্লবা শেমগৎপা টেররিষ্টশিংদি মচিন্না তৌগনি। মীনা কিবা য়াবা ৱা য়াম্না ঙাঙগনি থবক ওইনদি উৎপা ঙমদে। অসিগুম্বা মখলগী টেররিষ্ট অসিনি মণিপুরদা লৈরিবসি। মখোয়না সোসল মীদিয়া অসি খ্বাইদগী হেন্না ফবা খূৎলায় ওইগনি। মীদিয়া হাউসশিংদসু শেল চাউনা থাদগনি। মাইনোরিটি কার্দ, রিলিজিয়স কার্দ পায়গনি। হায়রিবা মখলগী টেররিষ্টশিং অসিনা মীগী মথ্বায় মাঙহনবদগীদি মীগী মথম্মোয় মাঙহনবনা হেন্না ঙম্মী। মসিগী লাল্লোংদা চথরক্লিবা হন্দক্কী সিরুই ফেষ্টিবেলগী মতাংদা চিনবানগী টেররিষ্ট অমনা চথরক্লিবা টেররিজম অসি খন্থবা ঙম্বগী থৌনা লৈরক্ত্রবা, মাগী কাঙলূপ্তা হেন্না অৱা পোৎলূম ওইহনগদবা টেররিজমনি হায়বসি খঙমিন্নসি। অৱাই অখুম তৌরবদি মাগী মায় পাকপনি। তূমিন্না অমত্তা খুন্বীদনা তৌদৌবদু কায়দনা তৌবদা মানা করিসু তৌবা ঙম্মোই। মহাক মায়থীগনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অসি থম্মোয় শেংদবা লৈঙাক্নি। ইন্দিয়ানা লমদমসিগী য়েলহৌ ফূরুপশিংবু মপাঙ্গল শোন্থহনবা পাম্মী। করিদগী মায়কৈ অশোমগী য়েলহৌ মীয়াম্না খূৎতা য়োৎ পায়নখিবনো হায়বদুদি নোংমতা নৈনরুবা তৌদে। মপাঙ্গল কল্লবা চাইনানা মীচং শেমখিনি হায়বগী ৱাখলদা মীয়ামসিগী য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিদা টার্গেট তৌরি। মসিবুনি থবক্না উৎপা টেররিজম। রিফ্যুজি খরবু লো এন্দ ওর্দর লৈত্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মাউথপিছ ওইনা শীজিন্নে। থৌইনশিন তৌদুনা অকন অরিং শাহল্লি। য়েংবীয়ু অদুঙৈ ইপা ইপুগী মখোঙদা চাকনি-ফিনিবা ওইনা চঙজরকখিবা মীওইশিং অসিনা লমদম অসিবু মখোয়গী মপা-মপুগী লমনি হায়রিবসি ইনশিল্লগা হায়হনবনি। মীয়াম অসি খোইদৌ শাউগৎহল্লিবনি। হূইশিং অসিগী মপু কনানো খঙনা খঙনা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসিনা তিন্থ্রোক ওইখিবদগী ময়াং ঙাগী মচীঞ্জাক ওইখিবনি। অদুবু য়েলহৌ মীয়ামগী লৈবাক নুংশিবা কৌবা খোই অমা অশিবা তিন্থ্রোকশিংদা কোৎশিল্লগা য়াওরি হায়বসিদি ৱা ঙাঙদবা নঙসু খল্লু।

মণিপুর অমদি ইন্দিয়া পূনশিনখিবদু কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দনি। বৃটিশ কোলোনিদগী মনীং তম্বা লৈবাক ওইদুনা, কন্সটিট্যুশন শেমদুনা মোনার্কী (নিংথৌ লৈঙাক) লোইশিন্দুনা দেমোক্রেসি (মীয়াম লৈঙাক) লিংলবা মতমদুদা নাৎ-কলচরগী থৌখক্তং তৌরিবা নিংথৌবু শিলোংদা কৌরগা পুনশিনবগী সোই তৌহনখি। অসিগুম্বা নমজা নমথেকপগী থৌওংসি হৌজিক্কী মীরোলনা তোয়না নীংশিংহল্লিবসি মপাঙ্গল কনবা মণিপুর কৌবা খুন্নাই অমবু শীংকুপ শানা থুগাইনবা হোৎনরিবা ময়াংশিংগী হেন্না খুদোংথীবা নুমিৎ লাক্কদৌরিবনি। মর্জর এগ্রীমেন্টতা মণিপুরগী শক্তমদা শীংনরকপা ইন্দিয়ানা ঙাক্কনি হায়খ্রগা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরিবসি ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা থিংগদবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুর কৌবা ষ্টেট অসি ৱাথোক চাউবা ষ্টেট ওইনা খল্লিবসি ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা ওইজবা কন্নবা হোৎনবদা হায়দবনি, খঙহন্দবনি। ময়াংশিংনা খঙদবদগী অরানবা ৱারী লীবা হৈবশিংদা থাজখিবনি।

মীহুৎশিং ইথৌ মশক খঙনা তৌবীয়ু। লৈবাক কনবগী মথৌসে মীহুৎশিংগীনি। মীহুৎ খনবগী মথৌদি মীয়ামগীনি। মীয়াম্না খ্বাইদগী ফরে খন্না থাগৎলবনি। অফবা তৌবীয়ু। লৈবাক্কীদমক শিবা কিবিগনু। মীহুৎ হায়বসি শিবা কিদবশিংনা শিবা নাইরোই। শিবা কিবশিংনা কুইনা হিংলোই। য়েংবীয়ু মীহুৎ নখোয়না লমদমসিগী টেররিষ্ট মশক খঙহনবা ৱাৎপদগী টেররিষ্টনা দিল্লি লৈঙাকশিংগা অফবা মরুপ শেল্লগা য়েলহৌ ফূরুপশিংদা ওৎ নৈরি। তৌগেতা ঙম্মী। হায়বদা তাদ্রবদি লিবদা খঙদ্রগনা মীহুৎশিং মীচমদা লাকপীরো। মীয়ামগী অপূনবনা ৱারেপ লৌবা তায়না। মর্জর এগ্রীমেন্ট হায়বসি পার্মিনেন্ট ওইদবসু য়াই য়ূম পানমিন্নদুনা মচা পোক্নরিবা নুপা নুপী ফাওবা ৱাখল চানদ্রবদি খায়দোক্লবদা লোনা অয়াবা পীরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না চনীং তানা খনবীগদবদি নীংঙাই চাউবা থেন্বদা য়ূন্ফমদি শোকহল্লোইদবনি। মণিপুরী কায়বদা ইন্দিয়া কায়বনি খঞ্জগদবনি।

অসুক কুইবা চহী অনী হেনবগী মতমসে ইন্দিয়ানা মাগী কলাদান প্রোজেক্ট মায় পাক্লবখক্কী খনবনা হেন্না মরু ওইনা খল্লি। কলাদান প্রোজেক্টতা মীতৈদগী কুকিনা হেন্না মরু ওইনা লৌরি। মীয়ামগী মীহুৎশিংবু আই সী য়ুদা ইনশিন্দুনা থল্লি। অসিগুম্বা প্রসিদেন্টস রুলনা মীয়াম্বু খোইদৌ শাওগৎহল্লি। লমদমসিদগী নীংতম ঈহৌ তৌবশিং মূত্থৎনবগী থরুমদা ঈহৌলোই মশীং য়াম্বা হেনগৎহল্লি। সেন্টিমেন্টতা পোলিটিক্স তৌবশিংনা চাক্লিবা মৈ অসিগী নিংশা ওইরি। জিরো টোলরেন্ট টেররিষ্ট সু লাউরিবা ইন্দিয়া লমদমসিগী চীংগী অকোয়বদা টেররিষ্ট পাম্বী থারি। তৌরিবা নুং-পান নাইবা পোলিটিক্স অসি মুন্না য়েংবা অমদি তাবা হৈহৌদ্রবদি মীনা লৈতুম লংলকপদা ঐখোয়না লোন্না লংশিনবা ওইনা থোকখিবসু য়াই। অপূনবনা মায় পাক্কনি। ●

# ক্বাকনা ক্বাকনি, উরোকনা উরোকনি

## - রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঙসিদগী চহী ৪০/৫০গী মমাঙদা পোইনু লৌ খাওরিঙৈদা নোংদোল অতিয়াদা পাইরক্লম্বা তেনৱা শঙ্গু অদু অমংবা নোং মপৈ অমা পাইরকপগুম্না অদুক্কী মতিক শঙ্গু-শঙ্গু পাইবা উখিবনি। ইঙা-ইঙেল মতমদা ঙানু থঙ্গোং লাবা অমোমশিংনা জুরা জুরা পাইবা করি করিগুম্বা মতমদা নাম্মা লাবরা অমোমলা অমা শাতানবা নত্রগা লাং থাকপা কাঙবুনা ফাখিবা মতমদা নাইতোম তারবা থঙ্গোংনা অতিয়াদা কোইনা কোইনা পাইরগা খোংদুনা লৈবা উরগা অউবনা ঙানু থঙ্গোং অসি জুরাদগী অমা ফাবীখ্রবা মাল্লে হায়নরিবনি।

পাৎকী উচেক মখল মখা কয়া য়ূম্লক্তা মীওইবগী মরক্তা লৈবা উচেক মখল কয়া অমা পাৎকী উচেক কয়া নুংথিল মতমদা কোয়না পাইদুনা চাক্তারুরগা খুল্লক্কী অশোঙবদা হৌরিবা উপাল ৱাপালদা অহিং য়ারেকপা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। ইঙ্খোল শম্বল, লৈপলশিংদা হৌবা উপালশিংদা মকোন শাদুনা মরূম কোক্লগা মরূম কোন্দুনা মচা ওনবা উচেক মখল কয়ানা শুমাং থেল্লোং, য়েনখা লুখাদা চাক্তাবা তীল, কৌজেং, হারৌ ফাদুনা চাবা মসি নত্তবদা মীনা চারিবা চেঙ-চাক হুন্দোকখাক খুন্দুনা চাবা কয়া অমা চোংঙা, ক্বাক, শেন্দ্রাং, মোংবা, খোইনিং, লমখুনু, চরোই মখল মখা কয়া লৈখ্রে। মীগী মীশিংনা নোংম-নোংমগী য়ামখৎলকপা, লৈফম চিল্লকপা, ৱাপল-উপালনা নোংম-নোংমগী কোকথোক্লকপা, হৌরম্বা হৈক্রেং, উথুম, হৈয়েল, হৈমাং, পুংধোন, হৈনৌ কয়াসু নোংম-নোংমগী ময়েং তারক্লে। লমলোং ফাংবদা খুনগী পৃখ্রি মপান্দা লৈরক অমদি সড়ক মপান্দা থারম্বা খোংনাং পাম্বী কয়াসু অঙকপা ফংনা মশীং হন্থখ্রে। খোংনাং মহৈ চাবা, হৈয়েন চাবা, হৈরুকোকথোং অমুনবা চাবা, উথুম মহৈ চাবা উচেক কয়া চানীংঙাই লৈতবনা নোংম-নোংমগী উবা ফংলক্তরে। মতম অমদা হৈক্রেং পাম্বী অচৌবদা উমাইবী মকোন শারম্বা, কৌবিলিয়া পাম্বীগী মতোন কারোংদা ক্বাক মকোন শারম্বা, ৱাপল কয়াদা চোংখু মকোন শারম্বা, ইঙ্খোল-লৈপলদা হৌবা উপালগী কারোংদা চফু অহাঙবা অনী মচিন ওনশিন্নরগা নিংথিনা পুনশিন্দুনা মনীং অদু ইঞ্চি ৩/৪ লাউনা হোৎতোক্লগা থাঙ্গৎলগা থম্বা মতমদা পেদগোৎ মকোন শাবা ঙসিদি ৱারী নত্তনা মচাক-মথুম অমা ফাওবা উবা ফংলরোই।

পাৎকী উচেক উথুম, হোঙাই, শলংকাক, থেম্বী, উরা, উরোক, উরোক লমপ্রাই, উশাই, লম ঙানু মখল মখল নীংথমথাদা লাক্লগা চাক্তারম্বা লোক্তাক পাৎকী লম কাংঙানা ফাইরেন, লমতাদা হৈকক য়েল্লি য়েনা ফোই ফোইদুনা চারম্বা অমুক হন্না উখিদ্রে। নোংঙাল্লমদাইগী চরোইনা তেতু তেতু খোংলম্বা, ক্বাক্না ক্বাক-ক্বাক খোংলম্বা অমত্তা তাখিদ্রে। কালেন, ইঙাগী মতমদা নুমিদাংৱাইরমদা হরিনোংনাংনা নংহৌররোই মতাগুম কোইপাই পাইদুনা উপাল অমদগী অমদা খোংলম্বা করিসু তাখিদ্রে। সনধ্যা য়াচংবা মতমদা লৌবুক লম্ফাং ফাওদুনা চৎপা ইঙ্খোল শম্বলগী, লম্বী-সড়ককী ময়াদা পাইরম্বা কুফেৎ কাফেৎ মঙাল নাইরম্বা তন্দন পাইখিদরে, উখিদরে। কুফেৎ কাফেৎপা মাগী মঙাল উদবা কুইরে। পৃখ্রি মপান্দা হৌবা জুবাকুশুম মরক্তা পাইদুনা শান্নরম্বা সনধ্যা মতমদা লাংধ্রুবী নোংমতসু পাইরকখিদ্রে। মাধবী মপালদা খোইমু কয়া ঙংদুনা পাইবা মাধবীসু হৌখিদ্রে। খোইমুসু পাইরকখিদ্রে। পূম্নমক মতম মাগী অহোংবা অওনবা ওইবা তারে। কনাদা কনানা করিবু হায়রুগনি।

কোংগ্রেস য়াওরম্বা কয়া তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়া শেমদুনা লৈঙাক শেম্নবা হোৎনৈ। কোইচৎ চৎলুই থুংনবা। য়ৌরুই অমুক হল্লকপা য়াও অদুমক চৎখিবা য়াও মচু লৈতবা পলেপফম লৈতবা মীওই কয়া ষ্টেট অসিদা নোংমা নোংমগী শৌগৎলকপা ১৯৬৭তগীনা ঙসি ফাওবদা পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী মরক্তা য়াওদবা নত্তে। মমিং মথাদি পঞ্জররোই, থৌগল্লোন কায়রগনি। টর্ম ৫/৬ লক চোংবা এন্টি দিফেক্সনগী চৎন কাঙলোন লৈত্রিঙৈদা মসিদা নত্তে চোংবা য়াবা চোংলুরে, কোংগ্রেসমুক ফবা পার্টি লৈরমদ্রে হায়বনচিংবা কয়ানি। কোংগ্রেসতি থবক তৌবা পার্টিনি। বি জে পিদি এদভর্টাইজ কনবা পার্টিনি হায়না চৈর-চৈরগা বি জে পি য়াওখিবা কয়া লৈখ্রে। লৈঙাক শেম্বা শেমদবগা মরী লৈনরোই মখোয়গী পার্টি অদুগদি পূন্না চৎমিন্নরোই হায়খিবা কয়া অমা লৈখ্রে। কোংগ্রেসনা লৈঙাক লীংলগনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া পুনশিনবা মানবা করিসু ওইদবদা হৈগুম হৈশুংনাই, লৈগুম লৈচা খায় হায়বা অহল লমনগী পাউরৌদু ময়েক হেক হেক শেংই। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রগনা ওপোজিশনগী তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়ামুক পুনশিনবা। ক্বাক, উরোক, ৱাহোং, উমাইবী, খুনু খরং, ককয়েন পুন্না কয়াম কুইনা পায়মিন্নবা য়াগনি। ক্বাকনা ক্বাকনি, উরোকনা উরোক ওইখিনি। মাগী মাগী মফমদা হনখিনি। লমচৎ শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ মী-মীগী তোঙান তোঙানবা মচৎ পোকপদগী লোয়নরক্লবা কয়াদু শুদুনা চামদুনা কোকপা পাক য়ারোই। মাগী মাগী হৈনবী মশাগী ওইজবা অদুনা মাঙদা থারগা শক্তিগী মরুমদা শেল তানগে খনবা মীয়ামগী মীহুৎ মফমদদি ওইজবা ফংলবদি নোংমাংখাসু খোইহিমুক থুম্বা, খোইহিসু নোংমাখামুক খাই হায়বা ঙম্বা মশাগী ফিরেপ লৈতবা কয়ানা ঙসিদি কাং-খোং চাইদুনা মীয়াম ৱারি, মীশি-মীনা থোক্লি, লন-থুম কয়া মাঙ তাক্লি অদুগা য়ূম কৈ, য়ূম্ফম কয়া মৈ থাদোকপীরি, লৈরম্মী খঙদনবা তেমখাইবা, থুগাইবা তৌবীরি। মীতৈ কয়া নোংথক্কী লম্বী নত্তনা মখাগী লম্বীদা ষ্টেট ৱাংমা লানবা ঙমহন্দনা থম্বীরি। অথিংবা অসি পূম্নমক ঐখোয়গী লন-থুম পূন্সি ঙাকপীগনি হায়দুনা লিংবা লৈঙাক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী মখাদা রাইট টু লাইফ কদাইৱাইদা চৎখ্রবগে।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনবুদি ইন্দিয়া পূম্নমক্না ইকায়খুম্ননা ইনগদৌবনি হায়বীরি অদুগা ঐখোয় মীতৈনা করম্বা কন্সটিট্যুশন ঙাকপী শেনবীদুনা মাঙখ্রবা পূন্সি কয়াগী ইমুংদা পীরিবা চৈনা, মাঙখ্রবা লন থুম কয়াগী, মাঙখ্রবা য়ূম্ফমগী ৱাকৎ কনানা য়েংশিনবীরি। হংদুনা লাকই চহী অনী চূপ্না।

লৈবাক ঙাকপীয়ু, মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরগা তৌবতবু নরৈবাক নরমদম মণিপুরনা মাঙদা থাদুনা থবক তৌবীয়ু। হৌগৎলক্লিবা মমল য়াম্লবা নহা কয়াগী পূন্সি লম্বী লম্ফাংনহনবদি কৈদৌঙৈদা তৌবীগনু। কুমজা ২০১৯দা কৌখিবা থবক কয়া ঙসি ফাওবা হায়দোকপীদনা মতম অমদি মোরেল মাঙহনবদা ঙসিগী লৈঙাক্কী থৌশিলনা ওইহনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈবরা। শারোই, হুইরোই অমসুং ঙারোইশিং থাদোল্লগা শেল খোম্বা, থবক থিরিবা নহাশিংদি লৈঙাক্কী থবক অমা নৎত্রগা অমা ফংনবা মখোয় পূম্নমক্কী মাঙদা থমদুনা লৈরিবা মতমনি। মদু ফংলবা মতুংদা তুংগী পূন্সি লম্বী শেম্নবা য়ূম্বাল কৈবানবা মথং মথং চৎনবা লম্বী থিরিবা নহা কয়াবু মখুৎ চিংদুনা পুরগা মৈশা লাংলবা মফম অমদা থাজিল্লিবা পূম্নমক পোলিটিক্স তৌরিবা অমদি মাগী হুইরোই, শারোই অমদি ঙারোইশিংনা মৈরক্তা লংশিনবীবা তোকপীয়ু। ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা নহা কয়া হয়েংগী ফূরুপকী য়ূম্বীরেল ওইগদৌবা কয়াবু পোকপীরিবা অহল লমনশিংনসু নচাশিংবু মনাওশিংবু হয়েং ঐখোয় ঐখোয়না শোল্লক নারকত্রিঙৈদা থবক অমা তৌহৌরবদি হায়দুনা লাইনীং ওইবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিমক্না পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী থাদোরক্লিবা শারোই-ঙারোই-হুইরোই কয়াগী লাংদা থুবা লায়না থোকই।

পোষ্ট মঙা লৌগদৌবা মফমদা মীওই ৫০০দগী শেল লৌশিনবগী মচৎ অসিনা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা নহা কয়াগী পূন্সিশিংবু অমম্বা লম্বীদা মখূৎ চিংদুনা পুরগা থাদোকপীবগা পাঙ্খক ওইরি। মীচম মীয়ামদি অফবা লৈঙাক মীয়ামগী পূন্সি লন-থুম ঙাকপী শেনবীবা নুংঙাই য়াইফবা, শান্তি ওইবা পাম্বা ঙাক্তনি। শেঞ্জা থুমজা লৈতবা মীয়ামগা য়াম্না নক্লনা চৎমিন্নবা লৈঙাক অদুনি মীয়াম্না পাল্লিবা অসি। ঐখোয় মীয়াম মিৎ-না শিংবা মতম ওইরে। মীখল মতমদা লান্না লান্না তাল্লুবা শেল চবুন-চবুন থাদরগা মীয়ামগী মীৎ থকহল্লগা চহী মঙাগী ঐগী ঐগী হক য়োনবগী থবক থাদোকপীয়ু। মদুনা খোই ওইরগা খৌনাওদা লেংদুনা ৱা ঙাঙসু ঙল্লোই। পুনিং পুনীংবা মায়কৈদা চিংদুনা চহী মঙাদি কোয়পু পুদুনা চিংবা ঙম্বগী শক্তি পীথোকপীগনু। ক্বাকলা উরোকলা মশক মুন্না খন্থরগা মীয়াম্না মীরেপ মশক খঙনা অদোম অদোমগী চহী মঙাগী হক অদু লৈবাক ঙাক্কদৌরিবা অদুদা শিন্নবীয়ু। নৎত্রগদি ক্বাকনী ৱাখল চেনবনা ক্বাকনী লমচৎ চৎখিনি। উরোক ওইবনা উরোকনী লমচৎ লাক্কনি। ●